**TDC (CBCS) Odd Semester Exam., 2023**

# MANIPURI

**( 3rd Semester )**

Course No. : MANLAN–301T

**( Poetry, Prose and Language )**

*Full Marks* : 70

*Pass Marks* : 28

*Time* : 3 hours

*The figures in the margin indicate full marks for the questions*

## SECTION—A

Answer *twenty* questions, taking any *four* from each Unit : 1×20=20

### UNIT—I

১। হেন্বা মুবা পাউহনচেক হায়বসি করন্বা উচেকনো ?

২। 'মঙাং গুরু চাকৰায়রে' হায়বসিদা মঙাং হায়না খংহল্লিবসি করিনো ?

৩। 'থিংবাই নিংথৌ পাউহনচেক' হায়বগী অর্থ করিনো ?

৪। 'ইনুং শোরানা তৈবদা' হায়রিবসি করম্না মতমবু খংহনবগে ?

৫। কবি খ্বাঃ চাউবগী 'লমগী চেক্লা অমদা' হায়বা শৈরেং অসিদা পল্লিবা চেক্লা অসি কনানো ?

## UNIT—II

৬। 'লম্মাংনবা' হায়বা শৈরেং অসিদা দীনহীন ভাগ্যচন্দ্র হায়না ফোঙদোক্লিবসিনা করিবু খংহনবগে ?

৭। এলাংবম নীলকান্তনা 'কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর' হায়না ফোঙদোক্লিবসি করিনো ?

৮। "হকচাংমখৈদি পোথাজরে/অদুবু থম্মোয়দি/মীৎয়েংদি।"
কবি নীলকান্তনা ফোঙদোক্লিবসি করিনো ?

৯। শবনমগী অর্থ করিনো ?

১০। মঙানগী লম্বীদো অমুক্তদি তাকপিয়ু ? কবিনা মঙান হায়না শীজিন্নরিবসি কনানো ?

## UNIT—III

১১। দ্বীজমনি দেব শর্ম্মাগী 'কলা'দা কলাগী মখল কয়ানি হায়না ফোঙদোক্লম্বগে ?

১২। "Truth of poetry is greater than truth of history." হায়রিবসি কনানা হায়রম্বনো ?

১৩। পুংয়ৈবা, লাইয়েকপা জগোই শাবা মুত্তি শাবা হায়রিবসি করম্না কলাগী মনুংদা থম্বগে ?

১৪। মরীলৈনবা ৱারেংদা মিৎয়েং থমদুনা ইরকউ। প্রকৃত্তিগী পূজারি হায়রগা কনাবু খংনবগে?

১৫। ‘‘ঈশিংদসু চাউদবী কংফালদসু হৌদবী
উদাতাংলে উতাংবী ৱাদা তাংলে ৱাতাংবী।’’

করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

## UNIT—IV

১৬। ‘নীংশিংলগা ইবা’ হায়বা ৱারেংদা গীতচন্দ্রনা অঙাং ওইরিঙৈদা থৱায় তানা শান্নজবা মশানা অদু করিনো?

১৭। পুন্সিগী লীলানা থেংনরিবা শক্লোমশিং অসি করিনো?

১৮। মীওইবগী সমাজদা চাউখৎপা হায়রগা করিবু খঙবগে?

১৯। *The Study of History* হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২০। ‘মী’ হায়বসি শা মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না হৈশিংবা য়োং মখল অমরা? হায়না পনবগী মরম করিনো?

## UNIT—V

২১। মৈতৈলোন্দা ভাৱেল মখল কয়া শুবগে?

২২। মৈতৈলোন্দা ফংবা সেন্ত্রেল ভাৱেল অমদং ইয়ু।

২৩। মৈতৈলোন্দা ‘হ’ অসি করম্বা খোঙ্হোক্নী অহুংদা থম্বা য়াবগে?

২৪। ‘ঐ চাক চাই’ হায়বসিদা সিলেবল কয়া য়াওবগে?

২৫। এফিক্স হায়বসিগী মরু ওইবা মখল কয়া লৈবগে?

## SECTION—B

Answer *five* questions, taking *one* from each Unit :

2×5=10

### UNIT—I

২৬। 'য়াকৈবা' হায়বা শৈরেং অসি কনানা শেম শাগৎপনো অমদি করম্বা মতাংদা শক্লবগে ?

২৭। হয়েংসু শোয়দনা মরাক্কে / ঙসিদৌনা পাইরক্লো মপুগী মগুণ তন্নগে হায়বসিদা কবিনা ফোংদোক্লিবসি করিনো ?

### UNIT—II

২৮। 'লম্মাংনবা' হায়বা শৈরেংদা কবিনা কনাদনো লম্মাংনবগী ৱাফম পল্লিবসি ?

২৯। কবি খৈরুদ্দীন চৌধুরীনা "মীওইবনা মী ওইবা তোক্কুনা করম্বা হিংচাবগী শাজৎনো চৎলিবসে ?"

শৈরেং অসিদা হিংচাবগী শাজৎ হায়না পল্লিবসিগী মরম তেন্না ইয়ু।

### UNIT—III

৩০। কলাগী মরু ওইবা মরম অসি করিনো ?

৩১। 'নির্জ্জনতা' হায়বা শৈরেংদা কবি কমলনা প্রকৃত্তিগী ফজবা মশক করম্না শৈথারম্বগে ?

## UNIT—IV

৩২। "লাইরিক ইগে হায়রবদি পুক্লিং ৱাই শংহনবা তমদবা য়াদে।" হায়বসিগী মরম করিনো?

৩৩। মীওইবা পুম্নমক্না পাম্নবা কলাগী মনুংদা করম্না কলানা অথোইবনো পল্লম্মু।

## UNIT—V

৩৪। মৈতৈ লোন্দা তোন হায়রগা করি খংনবগে?

৩৫। ফ্রি রুট অমসুং বাউন্দ রুট অনিগী খেন্নবা করিনো?

## SECTION—C

Answer *five* questions, taking *one* from each Unit :

8×5=40

## UNIT—I

মরীমখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্না ইয়ু :

৩৬। থবী নঙবু ফারকলো
অঙান নঙনা থোক্ক্রগা
তরা চেঙখুন উদেদো।

৩৭। নাইতোম তাবা চেক্লানা ফৈরাথক্তা তোংদুনা
কোলোয় মপাউ তাক্লকই
ঙমাইদৌনা নীংথিজে ঙমাইদৌনা মফজৈ।

## UNIT—II

মরীমখোঙ তাক্কুনা শন্দোক্লা ইয়ু :

৩৮। মীনুংশিগী মবুঙো হে থৌজাল হৈবা
তোল্লবসু নহাক্কী খুৎশেমনি ঐখোয়দি
ওইজবতা খংবা লাইনানা ঙমখ্রে
মপুগী থৌজাল নিংশিংবদা থোক্রে !

৩৯। মীওইবা সভ্যতাগী নোংশৈ নুংশিত্তা
নৌরবা ময়োলসি খাঙজরিদো হাইনা ইল্লা
তাখি ঐখোয়না থেংলবা অহিংদা
নুংশিবা নৌরবা সুরগী ঈচেল।

## UNIT—III

৪০। 'কলা অমসুং সমাজ'গা করি মরী লৈনবগে? নখোয়না তমলিবা 'কলা' হায়বা ৱারেংদা মীৎয়েং থল্লগা ইয়ু।

৪১। কবি ডাঃ কমলগী শৈরেংদা মহৌশাগী ফজবগী মশক করম্না য়েকপগে? খুদম পীদুনা নৈনৌ।

## UNIT—IV

৪২। জি. সি. তোংব্রাগী 'নীংশিংলগা ইবা' হায়বা ৱারেং অসিদা মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচৎতা থেংনরিবা থৌদোকশিংগী মরমদা করি হায়না ফোঙদোকলম্বগে? নশাগী মোত ফোঙদোকলম্মু।

৪৩। মীওইবগা সমাজগা করি লৈনবগে হায়বদু হৱাইবম রণবীরগী মী অমসুং সমাজকী চাওখৎ খোঙথাংদা মীৎয়েং থল্লগা ইয়ু।

## UNIT—V

৪৪। সিলেবল কদায়বু কৌবগে? মাগী মখল কয়াথোক্লা খাইদোক্লম্বগে? মখলশিং অদুগী মরমদা ইয়ু।

৪৫। কোনসোনেন্ট কদায়বু কৌবগে? মৈতৈলোন্দা ফংবা খোঙ্হোকশিংগী মরমদা ইয়ু।

★★★